**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-03-2026)**

**সেন্সস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মীকোক থীদ্রিঁঙৈদা এন.আর.সি চৎনহল্লু হায়দুনা জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিলিমিতেসন্না চংশিল্লকপা কেম্পেনগী মনুং চন্না ঙসি সি.এস.ওস মিট পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকপনি। মদুদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

লমদম অসিদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী মীতোপ কয়া চংশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাশিল্লকপা অসিগী য়েংলগা মীকোক থীবগী থবক পায়খৎত্রিঁঙৈদা মীতোপ খন্দোকবা থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা সি.এস.ওশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মরুওইনা খন্নবা অদুদা এন.আর.সি. অপদেট তৌদ্রিঁঙৈদা মীকোক থীবদা ওইরকপা য়াবা ফিভমশিংগী মতাং য়াওনা রাজ্য অসিগী দিমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স অমদি মসিনা পীরকপা য়াবা চৈথেংশিংগী মতাংদা খন্নখি। খ্বাইদগী মরুওইনা মীতোপ খন্দোকপগী মতাংদা রাজ্য অসিগী ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা লৌমিন্নবা য়াবা ৱারেপকী মতাংদসু মীফম অদুদা কুপা খন্নখি।

অমরোমদা, মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল গ্রুপ হেদক্বাটরগী কম্মিস্নয়ার০সি.এম.পি. ৱাইখোম মুনিন্দ্রো মঙাংনা হায়-জষ্ট ,ন্দ ফেয়ার দিলিমিটেসননা মীকোক থিবগী থবক য়ৈথোকবা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমী লাখ অমা লিশিং ৯২ না মপুং ফানা শৌগৎকনি।

**টিবি(এল)ঃ** ৪৫ শুবা মালেমগী টি.বি. নুমিৎকা মরী লৈননা চথরিবা নুমিৎ

১০০ নিগী ওইবা টি.বি. মুক্তা ভারতকী শরুক অমা ওইনা জন-জন কা রখে ধ্যান কেম্পেইন ঙসি সেনাপতি জিলাগী ওল্ড দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল ত্যুবরক্যুলোসিষ্ট ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ত্যুবরক্যুলোসিষ্ট সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিগী নুঙগী ওইবা ৱারোলদি-'য়েস ৱি কেন এন্দ টি.বি. লেদ বাই ভারত পৱার বাই জনভাগীদারি' হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: সুমপি পরসি, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: হেলেন সিমরেনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**দিৱার্মিং (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে-২০২৬ গী অহানবা রাউন্দ ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্সতা পাঙথোকখ্রে।

অহানবা রাউন্দ ঙসি পাঙথোক্লবা মতুং লেমহৌরিবা অঙাংশিং হিদাক পীজবগী থবক মথং থাগী অনিদা পাঙথোক্কনি। চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু তিল লৈতনবা পান্দমদা দিৱার্মিং টেব্লেৎ পীজদুনা মখোয়গী হকশেল ফগৎহনবা য়াওনা মচী ওইবা চীঞ্জাক পীজবা অমদি অফবা পুন্সি মহিং লৈনবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**বাবিনা (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী সি.এম.ও. ওফিসতা ঙসি নোংমগী ওইবা কেন্সর এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-বিষ্ণুপুর অমদি আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট বাবিনা স্পিসিএলিতি হোস্পিতালগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার, দি.এন.ও. অমদি মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নুপীশিংদা য়ামা তোইনা নাগনবা কেন্সর মখলশিং করমা ঙন্না খঙদোকহৌগদগে হায়বগী মতাংদা চেকশিন থৌরাংশিং শরুক য়াখিবা ডাক্তরশিংনা শুগায়না ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী আশা ৱাকরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** রেজিং এন্দ এসেলেরিটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্সকী মখাদা দি.এফ.ও. চান্দেলনা শিনদুনা জিলা অসিগী এম.এ.সি.এ. হোলদা নুমিৎ হুমনি চুপা চখরকপা ফোটোগ্রাফি অমসুং ভিদিওগ্রাফিগী ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ইকো টুরিজমগা মরী লৈনবা হীরমশিং-হোম ষ্টে, নেচরেল দাইয়িং, ৱা অমসুং লীগী পোৎথোক শাবগী ত্রেন্নিংসু পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অসিদা পুন্না মীওই ৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

**সোমনাথ(এল)ঃ** আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন সিংহনা হায়রি-মনিপুর অসি মালেম শিনবা থুংবদা হৌজিক মীপুম খুদিংমকা তোপ তোপ্পা ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি অমদি শান্ন খোৎনবগী লমদা মশক খঙবা হেনগৎলক্লি।

সোমনাথ স্বাভিমান পর্ব (থাউজন ইয়ারস ওফ অনব্রোকন ফেট) কী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাংদা লৈবা হৈবোক মহাদেবদা পাঙথোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি অমসুং তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বনি। তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়না ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী, কালা সংস্কৃত্তি অমসুং শান্ন খোৎনবশিং অসি য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচরনা বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা বিভাগ অসিগী কম্মিস্নার, দাইরেক্তোরেট-ঐচ. গ্যানপ্রকাশ, দাইরেক্তর-ময়েংবম

ভিটো সিংহনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**ডান্স (এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চথরিবা ফেষ্টিভেল ওফ ডান্স এন্দ ম্যুজিক ঙসি লোইশিল্লগনি।

ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তর কোলকাতানা গভর্নমেন্ট ডান্স কলেজ ইম্ফালগা পুন্না শিনবা থৌরমদা ফোল্ক সোং, ফোল্ক ডান্স, মণিপুরী জগোই অমসুং কথক উৎলি। ফেষ্টিভেল অসিদা -মপাউ জিংসো তাঙ্খুল ডান্স গ্রুপকী তাঙ্খুল ফোল্ক ডান্স, নিংথৌজম ঙান্থোইবী দেবীগী ফোল্ক সোং, গভর্নমেন্ট ডান্স কলেজগী ফোল্ক ডান্স, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি অমদি ৱাহেংবম দেবীনা দেবীগী মণিপুরী ডান্স, গভর্নমেন্ট ডান্স কলেজগী তিনা গুরুময়ুমগী মণিপুরী ডান্স অমদি বাচস্পতিময়ুম রেকিস্তা দেবী কথক জগোই উৎকনি।

ফেষ্টিভেল অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এম.এল.এ-তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা গভর্নমেন্ট ডান্স কলেজদা হৌদোকখিবনি।

**এসকে (এল)ঃ** ফিজেকেল প্রিন্সিপালস ইন বাইওলোজিকেল এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস: ফাউন্দেসন এন্দ ফ্রন্টিয়ারস (পি.পি.বি.এম.এস) হায়বা হীরমদা নুমিৎ হুমনি পাঙথোক্কদবা জাতি থাক্কী সেমিনার ঙসিদগী এস. কুলা ৱিমেন কলেজতা হৌখ্রে।

নম্বোলদা লৈবা কলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা সেমিনার অসি হৌদোকপগী থৌরমদা সি.আই. কলেজ বিষ্ণুপুরগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার আর.কে. রাশ্বোরি দেবী, এস. কুলা ৱিমেন কলেজকী প্রিন্সিপাল-ডা: আর.কে. লোকেন্দ, পি.এম. উসাগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: টি.ঐচ রঞ্জন অমদি পি.পি.বি.এম.এস-২০২৬ কী কনভেন্নর-এ. জয় সিংহসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কনভেন্নর-শ্রী জয়না হায়-অনা লায়েংগী হীরম য়াওনা বাইওলোজিকেলগী ওইবা হীরম কয়াদা ফিজিক্সকী প্রিন্সিপালশিংগী তঙাইফদবা লাকপা, মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগা ফিজিক্সকা পুন্না চৎমীন্নদুনা মীয়ামগী কান্নগদবা থবকশিং পায়খৎনবগী ৱাখল্লোনদা সেমিনার অসি পাঙথোকপনি।

সেমিনার অসি কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্স অমসুং বাইও টেকোলোজিনা পুন্না শিনবনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা সি.এম.ঐচ.টি অমদি পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসকী মখাদা ষ্টেট হেলথ এজেন্সি অমসুং দিষ্টিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিট সি.এম.ঐচ.টি-পি.এম.জে.এ.ৱাই. থৌবালনা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা কার্ডশিং অসি মতৌ করমা শাগনি অমদি শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংগী থাংজিং লাইশঙ মনাক্তা ঙসি লেম া লায়েংগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমদি মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মখাদা লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি বিষ্ণুপুর, জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিস অমদি লিগেল এদ মোইরাংনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ২০০ হেন্না লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাও অমদি নুংশিৎ য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, ককচিং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমদি রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদসু হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকগনি।

**থাউ ঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইল রিফাইনারিশিংদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ মরাং কায়না লৈরি।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়-পেট্রোল অমসুং দিজল হৌজিক ফাওবগী ওইনা অৱাৎপা লৈতে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা পেট্রোল পম্পশিংদসু থাউ মরাং কায়না লৈরি।

ষ্ট্রেট ওফ হোরমস থিংজিনখ্রবসু সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং অমসুং এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরি। য়ুমথোং খুদিংদা শিজিন্নরিবা এল.পি.জি. সিলিন্দরশিং হৌজিক মরাং কায়না মীয়ামদা ফংহল্লি। এল.পি.জি. দিষ্ট্রিব্যুটরসশিংদা ফংদে হায়বগী পাউ লৈতে।

মরক অসিদা, পোর্ট সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়না ঈশিং লম্বীদা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিং অসি লেপ্তুনা চত্থনবা কুপা য়েংশিল্লি। ভারতকী ঈশিং লম্বীদা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিং অমদি জহাজশিং অশোয় অঙাম থোকপগী পাড লৈতে।

**নিতিনঃ** রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকরিনা হায়রি-সরকার অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা তোঙান তোঙানবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা খুদোংথিবা থোক্কনবা মফমশিং খঙদোকপগী থবক চত্থরি।

ন্যু দিল্লিদা সড়ক সুরক্সা অভিয়ানগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-লম্বী থোং শেমজিন্নবা লুপা কোতি লিশিং ৪০ হেন্না শিজিন্নখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী খুদোংথিবা তোয়না থোক্কনবা মফমশিং মশক খঙদোক্তুনা শেমজিনবগী থবক চথখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামনা ত্রাফিক্কী নিয়ম মপুং ফানা ইনবীদুনা শোয়দ-ঙামদনবা হোৎনসি।

**এক্সিদেন্টঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী মকরপুরম জিলাগী রায়াভরম মনাক্তা বস অমা টাটা তিপর অমগা থেংনজিন্নবদা মৈ হৌদুনা বস অদুদা তোংলকপা মীওই ১৩ শিরে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক থোকখিবনি।

সরকারগী পাউনা হায়-মফম অসিদা হৌজিক পুলিসনা মী কনবা অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চথরি। মী শিবগী মশিংসু হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি হায়রি। থৌদোক অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ লোম শোক্লে হায়রি। অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালদা লায়েংবগী থবক চথরি।

রাস্ত্রপতি, উপ রাস্ত্রপতি অমসুং প্রধান মন্ত্রিনা থৌদোক অসিবু থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

প্রধান মন্ত্রি রিলিফ ফন্দগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনি-অনিগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে। অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ তেংবাং পীগনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩২ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং

ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ১৩ শুবা টেটোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. (নোংইন) লালাম্বুংনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. (ডব্লিয়ু) বু রন-৮৫ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহলাদা অমসুং ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিত ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি লুৱাংপোকপী ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দবু রন-৪৫ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিসুবা সমরাম ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-খোংজোম এফ.সিনা এস.দি.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমননা শিনদুনা ৮ শুবা টি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এম.আর.ও. কিয়ামগৈ অমসুং এস.দি.ও. পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-বি.এস.য়ু-কৈরাওনা এ.টি.য়ুনিট টোইন্তি আইট-

থোংজ্‌বু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.দি.সি. লংদুমনা সেদো-কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২৪ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কৈশামথোং এফ.সি. অমসুং লংথাবাল এফ.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ই.এম.এফ.সি. লমলাইনা এফ.এল.ভি. কে. টি.-ঙ্কাকৈথেলদা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।